## এফ সী ইম্ফাল অমসুং ৰাই দল্লিয়ু সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা এ শান্তা মীতৈ মেমোরিএল ১৪রক শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪ (ক্বালিফায়িং রাউন্দ ফোর আই দল্লিয়ু এল)গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ফুটবোল ক্লব ইম্ফাল (এফ সী আই)না য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লব (ৰাই দল্লিয়ু সী) অদুগা য়ং ৱেলফেয়র ক্লবনা আই সী এস এ ইরেংবম মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ১১.১৫ তাবদগী হৌরগা য়ং ৱেলফেয়র ক্লব অমসুং আই সী এ ইরেংবম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৌগৎলকপদা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ১০শুবা মিনটতা য়ং ৱেলফেয়র ক্লবকী ৰাইরোকপম দাইনানা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং মেটচ অদুগী ১২শুবা মিনট অমসুং ২৩শুবা মিনটতা য়ং ৱেলফেয়র ক্লবকী জুলান নোংমাইথেম অমসুং মাইবম নন্দেশ্বরীনা মখা তানা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুগা আই সী এস এ ইরেংবমগী ওইনা মেটচ অদুগী ২৭ অমসুং ৩৫ শুবা মিনটতা ওইনাম রেতিকানা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা য়ং ৱেলফেয়র ক্লবনা পাঞ্জল ৩-২দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা য়ং ৱেলফেয়র ক্লবনা মখা তানা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু য়ং ৱেলফেয়র ক্লবনা পাঞ্জল ৪-২দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.১৫দগী হৌরগা এফ সী আই অমসুং ৰাই দল্লিয়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এফ সী আইনা পাঞ্জল ১-০দা য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লবপু মায়থীবা পীখিবনি।

এফ সী আইগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৭৬ শুবা মিনটতা মিদফিল্ডর ফাঞ্জৌবম অবেম্মনা চনবা ঙমখিবনি।

## সাইক্লোননা ৱিকেট ১০দা থোইখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ২০লক শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা য়ু সী সী উরিপোকপু য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ১০দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস সাইক্লোননা ঙমদুনা হান্না বোলিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা য়ু সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা য়ু সী সীগী জুগলকিশোর অমসুং দিলিপনা মথংশিংনা রন ৩১ অমসুং ২৩ লৌরমখিবা অদু নৎতনা বেটসমেন অমত্তনা রন ১০ ফানা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ১৮.৫দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৯৪ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে।

অনীশুবা ইন্নিংসতা সাইক্লোননা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অসিগী ওপনর বেটসমেন ওইখিবা তরুন অমসুং রোবিনসননা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং য়াম্না হৈন-শিংনা মায়োক য়াবা ঙমখিবদগী ওভর ১০ শুরকপদা মখোয় অনীমক আউট ওইদনা রন ৯৭ লৌরগা মেটচ অদু য়াম্না লায়না মায় পাকখিবনি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোনগী তরুননা তাখি।

## এন এস য়ুনা পোইন্ট ১২দা মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা নোংপোক সঞ্জেনবম টিনসিদ রোদ ইম্ফাল ইষ্টতা হৌদোকখিবা ৭০রক শুবা মণিপুর ষ্টেট মেন এন্দ ৱিমেন কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এন এস য়ু খুমন লম্পাকনা এস এ দি এ সঞ্জেনবমবু পোইন্ট ৫০-৩৮দা মায়থীবা পীখ্রে। ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ২০ ফাওবা চথুগদবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা পূন্না টিম ৭না গ্রুপ এ অমসুং বি খায়দোক্তুনা শরুক য়ারি।


## ফংবীরগনি

**রিচার্ড মেসন্না ইবা THE WIND CANNOT READ হায়বসি মণিপুরীদা নুংশিত্তি পাবা হৈতে** হায়না খুরাইজম নিমাইচরন্না হন্দোকপা লাইরিক অসি IMPHAL BOOK FAIR গী Stall : Royal Book Store, Sharma Book Store, Sucheta Book Store অমসুং Khuraijam Nimaicharan গী য়ুম Khurai Thoudam Leikai অমসুং Babupara দা লৈবা Khuraijam Sunanda গী য়ুমদা ফংবীগনি। লাইরিক্কী মমল লুপা ৪০০/-নি।

HL-P/8894/19






HL-B/8409/19




HL-B/8291/14/12-15/01

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 995**

**Alexander Khalifman - Yasser Seirawan**
**Wijk aan Zee I (9), 1991**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 d5 | 3.Nc3 dxe4 | 4.Nxe4 Nf6 |
| 5.Nxf6+ exf6 | 6.c3 Bd6 | 7.Bd3 O-O | 8.Ne2 Re8 |
| 9.O-O Qc7 | 10.Ng3 Be6 | 11.f4 c5 | 12.d5 Bd7 |
| 13.c4 Na6 | 14.Qf3 Qb6 | 15.b3 Bf8 | 16.Bb2 Nc7 |
| 17.Bf5 Bxf5 | 18.Nxf5 Red8 | 19.Rae1 Ne8 | 20.Qh5 Qa5 |
| 21.Rxe8 Rxe8 | 22. ... | | |

**QUESTION :**
**White to checkmate**

**Puzzle 994 Solution :**

**20. Qxe6+ Bxe6 21.Rxe6+** The white rook captures Black's bishop, which was defending the square f5. **Kd7**
**22. Bf5+** With a discovered check by the white rook. The white rook attacks Black's king, which is defending the square e8. **Nd3 23. Ne5+ Kc8 24.Re8#** Double check mate Double check **1-0**




HL-B/8451/19

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com